# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.211 | য়ুমশকৈশা, মেরা ১৫নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, October 24, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা মোইরাংকম্পু কম্যুনিটি হোল পঞ্চায়ট ঘর ন্যু খেৱা বজার মোইরাং-কম্পুদা পাঙথোকপা খুঙ্গং চৎসি মিসন



লামায় ৩

ইন্দিয়ন আর্মিগী অরোনবা মীহাৎ থিগৎলু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা থায়োং ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফমগী শক্তম অমা



লামায় ৩

সনা জন্মস্থান ক্লব, কৈশামথোংগী দাইমন্দ জুবিলী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা সন্থে নেচরেল পার্কতা পাঙথোকখিবা ইনভাইরনমেন্টেল টুরগী শক্তম অমা



লামায় ১

ফোরেষ্ট দিপার্ট-মেন্টনা শীন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোকপা ইন্দো-জর্মন প্রোজেক্ট ওন ফোরেষ্ট মেনেজ-মেন্ট লোঞ্চ তৌবা থৌরমগী শক্তম



লামায় ১

## HL POLL

**Q :** Lagao sannaba thingnaba IW ki DM na thokpa yathang asi police na thabak ta onthokpa ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** CBI gi Special Director booked toubana agency ashida meeyamgi thajaba manglagani khanbra?

Yes 47% No 53%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

শঙ্গাবা নুমিৎ ওইবনিনা ঙসিদি ঈশিং পীরে, হয়েংদি কমদৌবা...!



সার, পাইপ ফুম্বা লোইদ্রি...!

### ইন্দো-জর্মন প্রোজেক্ট ওন ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট লোঞ্চ তৌখ্রে

# ‘মন্ধ কোক্লুরবা উমং হেক্টর ২১,৮০০ শংহল্লগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): ইন্দো-জর্মন প্রোজেক্ট ওন সস্টেনেবল ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট ফোর ৱাটর রিছোর্স কঞ্জার্ভেসনগী ষ্টেট অসিগী মন্ধ কোক্লুরবা উমংগী শরুক হেক্টর ২১,৮০০ রোমদা শংহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কম্যুনিটি ফোরেষ্ট্রি এন্দ ৱাটর কঞ্জার্ভেসন সোসাইটি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি হোটেল সঙাই কন্টিনেন্টেলদা পাঙথোকখিবা ইন্দো-জর্মন (কে এফ দব্লিয়ু) ফাইনান্সিএল কোওপরেসন প্রোজেক্ট কম্যুনিটি বেজ সস্টেনেবল ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট ফোর ৱাটর রিছোর্স কঞ্জার্ভেসন ইন মণিপুর হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা প্রোজেক্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী উমংশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। লুপা ক্রোর ১৩৭ রোমগী প্রোজেক্ট অসিনা উমং য়োকখৎনবা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎলক্কনি। খুঙ্গাশিংগা লোয়ননা উমংগী শরুকশিং কন্নবা থবক কয়া প্রোজেক্ট অসিনা পায়খৎকদৌরিবনি। মসিনা লাইফলিহূদ এক্টিভিটিজ প্রমোট তৌবগা লোয়ননা খুঙ্গাশিংগী কান্নবা কয়াসু ওইরগনি। অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎলকপদা মীয়ামগী সপোর্ট য়াম্না তঙাইফদে। মীয়ামগী সপোর্ট য়াওদনা থবক থৌরমশিং মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙম্লোই। সেনাপটি অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা কম্যুনিটি রিজার্ব ফোরেষ্ট ৮ লোম লাউথোকপগা লোয়ননা থবকশিং পায়খৎখ্রে। লোকল লেবেলদগী হৌনা কম্যুনিটি বেজ ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎলি। ঝুম কল্টিভেসন তৌরম্বা অমদি পোপি পান্বী থারম্বা চীংগী মফম কয়াগী লৌমীশিংদা অতোপ্পা হিংনবগী পান্থে কয়া পীনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা হৌরে।

মহৌশাগী অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা হোংলক্লিবা কয়া অসিনা খুদোংচাদবা কয়া পীরি। চহী অসিদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লখি। লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা য়ুম-কৈ কয়াসু অতেক-অকায় থোকখি। মসিগী মতুংদা অমুক লৌফমদা ঈশিং কংবদগী লৌ পানবদা খুদোংচাদবা কয়া অমুক থেংনবা লৈরি। অসিগুম্বা থোক্লিবা কয়া অসি মহৌশাগী অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপা ক্লাইমেটকী অহোংবা কয়া লাকপা অসিননি। মহৌশাগী খল কায়রকপনা পীরকপা চৈথেং কয়া অসি খঙমিন্নবগা লোয়ননা উমংশিং য়োকখৎপা অমদি কেটচমেন্ট এরিয়াশিং শেমগৎপা তঙাইফদে। ঈশিংগী ছোর্স ওইগ-দৌরিবা কেটচমেন্ট এরিয়াশিংদা উপাল-ৱাপাল নীংথিনা হৌহন্দুনা উমংশিং লৈহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহৌশাগী ফীভম অসি ঙাক্লা থম্নবা হোৎনবদা উমং য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। উপাল-ৱাপাল নীংথিনা থাদুনা উমংশিং য়োকখৎসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাই-রনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী ক্বার্টর মমাংদা লগাও খাওরে

### লগাও খাওদনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): পব্লিক গেমব্লিং এক্ট ১৮৬৭কী মখাদা হাওসি, লগাও অমদি শেল থানরগা শান্নবা মখলগী গেমশিং অথিংবা থম্লগসু ষ্টেট অসিগী লো মেকরশিংনা লৈরিবা বাবুপারা মনুংদা লগাও খাওরে।

বাবুপারা মনুংদা চঙলুবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, লগাও খাওরিবা মীওইশিং অদু মিনিষ্টর/এম এল এশিংগী এস্কোর্ট পার্টিদা য়াওবা পর্সনেলশিংনি। থারিবা অয়াম্বসু মখোয়নি। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং হায়বা থিদনা বাবুপারা মনুংদা লগাও খাওরিবা পর্সনেলশিং অসি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা থিংবা উদে। মদুগী মহুৎতা পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই খরনা শেল নিবগী থবক চথুরি।

বাবুপারা মনুং খক্তা নৎতনা ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী মফম কয়ামরুমদা হৌজিক-হৌজিক লগাও খাওবা অমসুং হাওসি শান্নবগী চৎনবী অমা লৈরক্লে। চহী নৌরিবা অঙাংশিংনসু লগাও খাওবা য়াওরে। অদুগা চহী নৌরিবা নুপামচা-নুপীমচা কয়ানা ওমশিল্লগা লগাও থারে। অসিগুম্বা ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা লৌখৎপা উদ্রে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট নাওরেম প্রভিননা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা কোনবা মফমদা লগাও খাওবা অমদি শেল থানবগী থৌওং অমত্তা চত্থবা য়ারোই হায়না পব্লিক গেমব্লিক এক্ট ১৮৬৭কী সেক্সন ৪ অমসুং ১৩ গী মখাদা লগাও খাওবা, য়েন কাওনরগা শেল থানবা অমদি অতৈ মখল অমত্তগী গেমব্লিং চত্থবা য়ারোই। কনাগুম্বনা হায়রিবা থৌওংশিং অসিদা শরুক য়ারম্বা তারবদি এক্ট অসিগী মতুংইন্না থা ৪ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা ফাইন থীহনবা য়াই।

লগাও খাওবা অমদি শেল থানবগী থৌওং চত্থরম্বা মীওইশিংবু পুলিস ওফিসর অমনা ৱারেন্ট য়াওদনা ফাবা ঙম্মী। লৈকায়-লৈকায়দা লগাও খাওদুনা অচৎ-অওকশিংদা অপনবা পীবগী থৌওং চত্থরম্বা থেংনরবদি মথক্তা পনখ্রিবা এক্ট অসিগী মখাদা ৱারেন্ট য়াওদনা ফারগা জেলদা থমগনি হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী য়াথং অসিনা খঙহল্লক্লি।

কুট, দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবনচিংবা কুম্মৈ নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লগাও খাওবগী থৌওং চত্থরে হায়বা ৱাকৎ লাক্লে। নুমিদাং অথেংবা ফাওবা শেল থানবগী থৌওং অসি চত্থদুনা মীচম মীয়ামদা অকায়বা পীবগী থৌওং অসিনা লো এন্দ ওর্দর কায়হল্লকপা য়াবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

## ইনভাইরনমেন্টেল কেম্প সন্থে নেচরেল পার্কতা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): সনা জন্মস্থান ক্লব, কৈশামথোং ইম্ফালনা ক্লব অসিগী দাইমন্দ জুবিলী সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দা সন্থে নেচরেল পার্ক, অন্দ্রোদা ইনভাইরনমেন্টেল টুর অমা পাঙথোকখ্রে।

টুর অদুগী শরুক অমা ওইনা নো য়োর ইনভাইরনমেন্ট হায়বা থিমদা এৱ্যেরনেস কেম্প অমসু পাঙথোকখি। ইনভাইরনমেন্ট হায়বা হীরমদা জেনরেল নোলেজ টেষ্ট অমসু পাঙথোকখি।

চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট টি ঐচ মহেন্দ্রপ্রতাপ সিংহ, সনা জন্মস্থান ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ গোপীমোহোন, দেপ্যুটি দিরেক্টর ইনভাইরনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর ডো. টি ব্রজকুমার, ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী এক্স কম্মিস্নর থাংজম ওংবী ধনেশ্বরী, টি ঐচ অঙৌমচা, সগোলশেম হেমন্ত, থোকচোম কুল্লা অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম২

## মেরা হৌ চোংবগী পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): মেরা হৌ চোংবগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌনা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী পুরক্লবা মেরা থাগী থানিলদা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুরগী মীয়াম্না কাঙলূপ মশেল নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা থাজবা থম্মী হায়বা মেরা হৌ চোংবনা ময়েক শেংনা তাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ মশেলগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি।

## মেরা থাউমৈ থানবগী থৌরম লুৱাং নিংথৌ পূন্সিবগী মতমদা হৌদোকখি : কোন্দুম্বা

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লিবা মেরাগী থানিলদা পাঙথোকপা মেরা ৱা য়ুংবা/মেরা থাউমৈ থানবা হায়বা লাইগী থবক থৌরম অসি লুৱাং নিংথৌ পূন্সিবগী মতমদগী হৌদোকখি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইবাহঞ্জবা শমজেৎশাবম কোন্দুম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা শমজেৎ-শাবম কোন্দুম্বনা হায়খি, লমদমসিগী হৌরক ৱারীদা মেরা থা হায়বা থাবুম অসি য়াম্না মরু ওই। মেরাগী থানিল/পুর্ণিমাগী নুমিদাংদা য়ুমথোঙ খূদিংদা পাঙথোক্লরিবা মেরা ৱা য়ুংবা/ মেরা থাউমৈ থানবা হায়বা থৌরম অসিগী মতাংদা খোংজোম নুবী নোঙ্গারোল হায়না মিংথোনবা পুয়াদা য়াওরম্বগী মতুংইন্না লুৱাং নিংথৌ পূন্সিবগী মতমদগী হৌদোকখিবনি হায়নরি।

মসিগী নুংগী ওইবা ৱারীদি- লুৱাং নিংথৌগী মচানুপী ৬ না চহী য়াম্না নৌনা লৈশারিঙৈ মতমদা লাইনিং লম্বীদা চঙখি। মখোয়বু অতিংকোক শিদবনা তাইবংগী চৎন-লমদাং তম্বীগে নীংখি। অতিংকোক শিদবনা মচা অহুমগী মরক্তা লৌশিং লৈবা মচা খঙননবগীদমক হিয়াঙ্গৈগী নোংমা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪





ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫